টোকিও ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপা অমসুং পাঙথোক্তবগী মতাংদা মফম অদুগী মীওই কয়া চমম্নরি

টোকিও, মে ২১ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২০গী জুলাই ২৪দগী হৌরগা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টোকিও ওলিম্পিক গেমস চহী ১ য়ৈথোরক্লবা মতুং চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগনি হায়না কন্না হোৎনরিবা অসিগী মনুংদা জপানদা লৈরিবা মীওই কয়ানা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপনা ফরিব্রা নৎত্রগা তোকপনা ফরিব্রা হায়বগী মতাংদা অচৌবা চমম্নবা অমা লৈরে হায়না মফম অদুদা লৈবা পাউচে কয়াগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অহানবা ৱেভতা জপানদা থেংনখিবা চৈথেং অদু অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা কা-হেন্না শোক্ত্রবসু লৈবাক অদুগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্লনবা শিল্লিবা ওলিম্পিক গেমস অসিগী মাংওইননা মফম অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অহুমশুবা ৱেভ লাকখ্রবা মতুং মরিশুবা ৱেভসু লাক্লে হায়না পানরিবা তাঙ্কক অসিদা টোকিওদা লৈরিবা জপান মচাশিংনা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপনা ফরিব্রা নৎত্রগা তোকথোকপনা ফরিব্রা হায়বগী অচৌবা ৱাহং কয়া হংনরকপা অসিগা ইরোয়ননা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী অমদি টেকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী ৱাখল্লোন খেন্নবা মরম্না মীওইশিং অদুগী ৱাখলদা চমম্নবা অমা লৈরি।

টোকিও সিটিদা জপান লৈঙাক্না হৌজিক নৌনা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ অসি য়েংলুরগা টোকিও সিটি খক্তা নৎতনা থংনবা সিটিশিংসু কোভিদ-১৯গী ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি থমখ্রবনি। মদুগী মখা চথুরকপদা অতোপ্পা সিটিখরসু ইমর্জেন্সি থমদুনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরক্তনবগী পান্দমদা থবক লৌখৎলকপা লৈখ্রবনি।

জপানগী তোঙান-তোঙানবা পাউচে অমদি ন্যুজ এজেন্সীশিংনা লৌখিবা পোলদা য়ামদ্রবদা চাদা জপানগী মীওই ৮০দি টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্তবা পাম্লি। মসিগী মনুংদা চাদা মশীং য়ামদবা কাঙলূপ খরনা মখা তানা য়ৈথোক্লগা অদুম্মক টোকিওদা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্লনবা ৱাখল্লোন ফোঙদোরকখি। অদুবু মশীং য়ামদবা কাঙলূপ খরনদি টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি হান্না লেপখিবা মতম অদুদা অদুম্মক পাঙথোকপা পাম্বগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

জপানগী মীওই কয়ানা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপদা লৈবাক অদুদা হৌজিক থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগী অনৌবা ৱেভ অসি মায়োক্লবদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লিবা অদু য়েংলুরগা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপা পামদ্রবনি। অদুবু ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমদি টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা গেমস অসি পাঙথোক্লনবা চপ চাবা মওংদা শেমশারে হায়না কাঙলোনগী ওইবা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ইমিলিয়া-রোমাগনাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা চাইনাগী ৱাং কিয়াং অমসুং য়ু এস এগী কোকো গোফ শান্নরগনি

পার্মা, মে ২১ (এজেন্সী):
ইটালিগী সিটি পার্মাদা পাঙথোকপা ইমিলিয়া-রোমাগনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোয় ৱাং কিয়াং অমসুং য়ু এস এগী কোকো গোফ লম্বা তৌনরগনি।

চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী মাংওইননা পাঙথোকপা ক্লে কোর্টকী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইনা অহানবা এদিসনদা ওইরিবা ইমিলিয়া-রোমাগনা টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি অথেংবা শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচতা চাইনাগী শান্নরোয় ৱাং কিয়াংনা য়ু এস এগী স্লোনে ষ্টেফান্সপু সেট ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চাইনিজ শান্নরোয় ৱাং কিয়াংনা য়ু এস এগী স্লোনে ষ্টেফেন্সকা সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা হৌরকপগী গেম খরা লম্বা মান্নবা ঙমখ্রবসু য়ু এস এগী শান্নরোয় ষ্টেফেন্সকী অশোনবা মফম খরা অদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা সর্ভিস গেম অনী মুনবা ঙমখিবদগী ৱাং কিয়াংনা ৬-২দা অহানবা সেট অদু থোইরগা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা য়ু এস এগী শান্নরোয় স্লোনে ষ্টেফান্সকী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা লম্বা পীরকপদগী ৱাং কিয়াংনা তকশিনখিবা খূদিংমক লেংমান্নবদগী অনীশুবা সেট অদুগী গেম ১২ শান্নবা লোইবা ফাওবদা নাকল অনীমক্লা গেম ৬-৬ থোইনদুনা লৈখিবদগী টাই ব্রেকতা সেট অদু মায় পাক্লনবা য়েংনরকখি। মদুদা চাইনাগী শান্নরোয় ৱাং কিয়াংনা মহাক্কী মায়কৈদগী তৌখিবা সর্ভিসশিং অদু মগুণ লৈবা হেনবদগী য়ু এস এগী শান্নরোয় স্লোনে ষ্টেফান্সপু পোইন্ট ৭-৩দা থোইদুনা সেমীফাইনেলদা মায় পাক্লগা ফাইনেলদা অতোপ্পা য়ু এস এগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিদা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবী কোকো গোফকা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

কোকো গোফনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুদা চেক রিপব্লিককী কেটরিনা সিনিয়াকোভাগা লম্বা তৌনবনি। শান্নরোয় অনীগী অহানবা সেট অদু য়াম্না পাঙ্গল মান্নদুনা গেম ১০ ফাওবা ৫-৫ থোইনদুনা লৈখি। অদুবু য়ু এস এগী চহী নৌরিবী কোকো গোফনা থংনবা গেম অনী মায় পাক্তুনা ৭-৫দা থোইরগা সেট অমা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা সেটতা চেক রিপব্লিককী কেটরিনা সিনিয়াকোভানা অহেনবা মশান্না ফূদোকপা ঙম্বদগী য়ু এস এগী কোকো গোফকী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ইকোম কোম্না ৬-১দা থোইরগা সেমীফাইনেল মেটচ অদু সেট অমমম্ মান্নবদগী দিসাইদিং সেট শান্ননবা শেমশানখি।

অরোইবা অমদি অহুমশুবা সেট অদুদা য়ু এস এগী কোকো গোফনা ফজবা হেনখিবদগী চেক রিপব্লিককী সিনিয়াকোভাগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-২দা সেট অদু থোইদুনা ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোয় ৱাং কিয়াংগা হয়েং টাইটল লৌনবগীদমক্তা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

নুপীগী দবলস কাঙলূপ্তা ২শুবা সিদেদ প্যের ক্রোএসিয়াগী দি জুরাক অমসুং স্লোভেনিয়াগী কে ক্লেপাক সেমীফাইনেল মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বোক্সিংগী অহানবা দ্রোনাচার্য্য মনা ফংখ্রবা কোচ ভর্দ্বাজ লৈখিদ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ২১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী দিসিপ্লিনশিংগী ওইনা লমজিং-লমতাক্লিবা কোচশিংদা পীবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা দ্রোনাচার্য্য এৱার্দকী ওইনা বোক্সিংগী লম্দা অহানবা ওইনা মনা ফংখিবা ও পি ভর্দ্বাজ মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা ঙসি লৈখিদ্রে।

মশাগী চহী ৮২ শুখ্রবা কোচ ও পি ভর্দ্বাজ হৌখিবা নুমীৎ ১০নিদা মশাগী নুংঙাইতবা লাকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি।

পনবা য়াবদি, ও পি ভর্দ্বাজনা ইন্দিয়াগী ওইনা বোক্সিংগী কোচ অমা ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ অদু লৈবাক অসিগী বোক্সিং কোচশিংগী মনুংদা মহাক্না ইহান হানবা ওইনা ফংখিবনি। কুমজা ১৯৮৫দা ও পি ভর্দ্বাজনা বোক্সিং কোচ অমা ওইনা দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ ফংখিবা অদুদা রেষ্টলিংগী দিসিপ্লিনদা বাল চন্দ্র ভাস্কর ভগৱট অমদি এথলেটিক্সকী দিসিপ্লিনদা ও এম নম্বিয়ারসু চপ মান্নবা মনা অদু ফংখি। মখোয় অহুম্না ফংখিবা মনা অদু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইনা শান্নবগী হীরমদা তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী দিসিপ্লিনশিংগী কোচশিংগী মথৌশিং অদুবু মশক খঙদুনা পীবা অহানবা দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ অদু ওইখিবনি।

ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী হীরমদা কুমজা ১৯৬৮দগীনা ১৯৮৯ ফাওবগী মনুংদা ও পি ভর্দ্বাজনা ইন্দিয়াগী নেসনল বোক্সিংগী হেদ কোচ ওইনা থৌ পুরম্বনি। মদুদসু নৎতনা মহাক ইন্দিয়াগী অফবা বোক্সরশিং খনবগী নেসনল সেলেক্টরশিংগী মনুংদা অমসু ওইরমখি। মহাক্না থবক তৌরিঙৈদা এসিয়ন গেমস, কম্মনৱেল্থ গেমস অমদি সাউথ এসিয়ন গেমসকী তোঙান-তোঙানবা বোক্সরগী টুর্নামেন্টশিংদা ইন্দিয়াগী মেদল কয়া পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

কলম্বীয়াবু মথং থাদা পাঙথোক্কদবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ূম্বু ওইবগী খূদোংচাবা অদু লৌথোকখ্রে

NO
COPA
AMERI

সাও পাওলো, মে ২১ (এজেন্সী):
মালেমগী ফুটবোলদা মমিং লৈরবা লৈবাক ওইরিবা অর্জেন্টিনা অমসুং ব্রাজিল য়াওরিবা সাউথ অমেরিকাগী ফুটবোল লূপ কোনমেবোল (সী ও এন এম ঈ বি ও এল)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ অমেরিকাগী ওইবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ূম্বু লৈবাক অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা কলম্বীয়াবু য়ূম্বু ওইবগী খূদোংচাবা অদু লৌথোকখ্রে।

কলম্বীয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ইভান দুকেগী মায়োক্তা লৈবাক অদুদা তোঙান-তোঙানবা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী খোঙজং কয়া অমা লাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা কলম্বীয়ানা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ূম্বু ওইবগী খূদোংচাবা অদু লৌথোকখিবনি হায়না থাজনরি।

পনবা য়াবদি, কলম্বীয়া অমসুং অর্জেন্টিনানা পুন্না য়ূম্বু ওইরগা মথং থাদা পাঙথোক্কদবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মমাংদা সাউথ অমেরিকাগী ফুটবোল ফেদরেসন অদুনা সেদ্যুল্ড পীদুনা লৈখিবনি।

সাউথ অমেরিকাগী ফুটবোল ফেদরেসন ওইরিবা কোনমেবোলনা ফোঙদোরকখিবা মতুংইন্না টুর্নামেন্ট অদু কলম্বীয়াগী ওইরিবা ঈরাং অদুনা মফম অদুদা পাঙথোকপা য়াদ্রবসু মখা তানা মতম য়ৈথোকপগী খূদোংচাবা লৈতবা মরম্না কলম্বীয়াগী য়ূম্বু ওইবগী খূদোংচাবা লৌথোক্লগা অর্জেন্টিনাদা টুর্নামেন্ট অদুগী অপূনবা মেটচশিং অদু শান্ননবা ৱারেপ লৌখিবনি। পনবা য়াবদি, অর্জেন্টিনাগী প্রসিদেন্ট অলবর্টো ফর্নান্দেজনা ফোঙদোকখিবদা, কলম্বীয়ানা য়ূম্বু ওইবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৈতবনা অর্জেন্টিনানা কোপা অমোরিকাগী মেটচ খূদিংমক য়ূম্বু ওইনবা হোৎনগনি হায়খি।

ফিফা য়ু-১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ইন্দিয়াদা ২০২২গী ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্লগনি

FIFA
TM
U-17 WOMEN'S WORLD CUP
INDIA 2022

ন্যু দেল্লী, মে ২১ (এজেন্সী):
মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ফিফানা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইন্দিয়াদা কুমজা ২০২২গী ওক্টোবর ১১দগীনা ৩০ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লগনি হায়খ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি, কোভিদ-১৯গী মালেম্না থেংনরিবা চৈথেং অসিগী মতুংইন্না মমাংদা হায়রিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা কুমজা ২০২১দা য়ৈথোকখিবা অদু ফিফানা মখা তানা ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২২গী এদিসন অদু য়ূম্বু ওইননবা খঙহল্লকপনি।

ফিফাগী মায়কৈদগী ফিফাগী সিনিয়র ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু কুমজা ২০২৩দা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা চহী অদুগী জুলাই ২০দগী ওগষ্ট ২০ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মরক অসিদা ফিফাগী কাউন্সিলনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমগী মতুংইন্না চহী ২০ মখাগী ৱিমেন্স ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু কোষ্টারিকাদা কুমজা ২০২২গী ওগষ্ট ১০দগীনা ২৮ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্স এফ সীগা জুন ৬তা লোইগদবা কন্ট্রেক্ট অসিগী মতাংদা খল্লুদনা মখা তানা ফজনা শান্নবা পাম্লি : ঙাঙোম বালা

ন্যু দেল্লী, মে ২১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল পুৱারীদা অনৌবা লামায় অমা হাংদুনা য়ুরোপিয়ন প্রোফেসনেল ফুটবোল লীগতা শরুক য়াবা ঙম্লিবী ঙাঙোম বালানা স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্স এফ সীদা জর্সি নম্বর ১০গী খূদোংচাবা ফংদুনা শান্নবা ঙম্লিবা অসিগী হান্না লৈখিবা কন্ট্রেক্ট চৎলিবা চহী অসিগী জুন ৬তা লোইগদৌরিবা অসিবু নাথৈদুনা থল্লগা মহাক্না শান্নরিবা মশান্না অদুদা হেন্না পূক্নিং চঙদুনা হোৎনবা পাম্লি হায়না ফোঙদোরকখি।

কুমজা ২০২০গী ফেব্রুৱারী থাদা স্কোটলেন্দগী মমিং লৈরবা নুপীগী ফুটবোল ক্লব রেঞ্জর্স এফ সীগা খূৎয়েক পীনদুনা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল শান্নরোয় অমনা অহানবা ওইনা য়ুরোপিয়ন ফুটবোলগী লম্দা খূৎয়েক পীবা অহানবা শান্নরোয় ওইখিবনি। ঙাঙোম বালানা রেঞ্জর্স এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নদুনা স্কোটিশ ৱিমেন্স প্রেমিয়র লীগকী মায়কৈদগী শান্নরোয় অমা ওইনা টিম অদুগী মায়কৈদগী মরুওইবা তাঙ্কক কয়াদা বোল সপ্লাই তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবসু ঙমখি।

ঙাঙোম বালাগী ওইনা হন্দক্তা স্পোর্টস্কা শান্নখিবা মেটচতা মিটর ৩০গী অথাপ্পদা শান্নবগী ইঞ্জুরি টাইমদা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখ্রবসু টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুগা য়েংনরুবদা মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা য়াম্না মগুণ লৈবা ওইখি। মদুনা মরম ওইরগা মহাকপু এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী ওইবা শান্নরোয় অফবগী মনাগী খনগৎপদা পাঞ্জল অদুগী মতেংনা মমিং য়াওখিবনি।

ঙাঙোম বালানা ফোঙদোরকপদা, রেঞ্জর্স এফ সীগা মহাক্না খূৎয়েক পীনখিবা মতম অদু চহী অসিগী জুন ৬তা থা ১৮গী ওইবা মতম অদু লোসশিনগদৌরিবনি। অদুবু শান্নরোয় অমা ওইনা মহাক্কী খূৎয়েক পীনখিবা মতম অদুনা থৈদুনা থল্লগা মহাক্না শরুক য়ারিবা রেঞ্জর্স এফ সীগী টিমনা শান্নবা মেটচ খূদিংমক্তা মহাক্কী মায়কৈদগী পীবা ঙম্বা মথৌ অদু পীননবা হোৎনবগা লোয়ননা খূদোংচাবা ফংবদা অৱৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নগনি হায়না ফোঙদোরকখি। মমাং চহীগী কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংখিবা মতুং অনৌবা ৱেভ অমুক লাকপা অসিদা য়ূমগী মীওইশিংগা থাপতোকপগী নুংঙাইতবা অদুদি অদুম্মক লৈ হায়না ফোঙদোরকখি।

ইমোনা ওক্সিজেন সিলিন্দর য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ লাকখিবা অসিগা ইরোয়ননা মমল য়াম্লবা পূন্সি কয়াদা অশোক-অপন থোকহনখ্রবা মতুং লায়না লাইচৎ অসিবু মখা তানা শন্দারকপা থিংনবা অমদি লাকশিন্নবা হোৎনবগী পান্দমদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা আর কে ইমোনা লুচিংদুনা ষ্টেট লৈঙাক্তা দি-টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৪০ মতেং পাংখ্রে।

খোঙথাং অসি মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা আর কে ইমোনা লৈঙাক অসিগী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টরগী খূথাংদা লুপা লাখ ৮ লোমগী ওইবা দি-টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৪০ মতেং পাংখিবনি। মমাংদসু আর কে ইমোনা লুপা লাখ ২২ রোমগী ওইবা ভেন্টিলেটর ১০ মতেং পাংবা লৈখ্রবনি হায়না এম সী এগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসননা হোক্কী ইন্দিয়াবু ইটিন গ্লিচিটস এৱার্দকীদমক মশক খঙখ্রে

HOCKEY INDIA

ন্যু দেল্লী, মে ২১ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফেদরেসন অসিগী ৪৭লকশুবা কোংগ্রেস পাঙথোকপদা হোক্কী ইন্দিয়ানা হৌখিবা চহী খরা অসিদা পায়খৎলক্লিবা মশান্না অসিগী হীরম খূদিংমক য়েংলুরবা মতুং অমদি শান্নরোয়শিংগী ফগৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অদুগা পূনশিল্লগা মমিং লৈরবা ইটিন গ্লিচিটস এৱার্দ অদু পীননবা মশক খঙখ্রে।

ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসননা পীবা ওনরেরি এৱার্দ অমা ওইরিবা ইটিন গ্লিচিটস এৱার্দ অসি লৈবাক অমগী হোক্কী ফেদরেসননা তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয়শিং অমদি লৈবাক অদুদা লৈরিবা হোক্কী ফেদরেসনশিংনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অদু য়েংলুরগা পীবা মনা অমা ওইরি। হায়রিবা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী ওইবা ইটিন গ্লিচিটস মনা অসি কুমজা ১৯৬৬তগীনা ১৯৮৪ ফাওবা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী সেক্রেটরি ওইরম্বা ইটিন গ্লিচিটসকী মমিংদা পীবনি। মহাক্না ফেদরেসন অসিগী ওইনা কুমজা ১৯৯৬ ফাওবা প্রসিদেন্টকী ফম পায়রমখি। মহাক্কী অচৌবা ৱাখল্লোন অমদি হোক্কী মশান্না অসিবু মালেম শীনবা থুংনা মীয়াম্না পাম্নবগী খোঙথাংদা লৌখৎলম্বা থবক থৌরমশিং অদুবু ইকাই খুম্নবা ওইনা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসননা মশান্না অসিগী লম্দা অফবা থবক পায়খৎপা অমদি শান্নরোয়শিংবু অহেনবা থাক্তা পুখৎপা ঙম্নবা হোৎনবা লৈবাক অমগী ফেদরেসনদা পীবা মনা ওইনা চৎনরিবনি।

হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মণিপুর মচা গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসননা হোক্কী ইন্দিয়াদা ইটিন গ্লিচিটস এৱার্দ অসি পীরকপদা ইন্দিয়াগী হোক্কীগী ফ্রেটর্নিটি পুম্নমক্না লৌরিবা থৌদাং অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইকাই খুম্নবা উৎখি। মহাক্না মখা তারদুনা এৱার্দ অসি হোক্কী ইন্দিয়া খক্তা নৎতনা শান্নরোয় অমদি হোক্কী মশান্না অসিবু শৌগৎলিবা লৈবাক অসিগী মীয়াম পুম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মশান্না অসিদা অহেনবা পাঙ্গল অমদি থৌনা পীবীরিবা মীওই খূদিংমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। হায়রিবা মনা অসি ইন্দিয়াগী ওইনা হন্দক্না অহানবা ওইনা ফংগদৌরিবনি।

EMPLOYMENT NEWS

(Bricks Mistry + Jugali Needed)

☞ Samurou Bazar, Imphal West কা নক্লনা লৈবা মীওইগী ওইনা Workshop Asst. (XII Passed) 2, Car Wash + Workshop Helper 2/2, 2 Wheeler Mechanic 2, Bricks Mistry 2, Jugali 4, Car Driver 2 অথুবা মতমদা পামজে।

Sd/- : M.M. Singh
Contact No. : 8787556934

HL-B/6970/16/5-13/7(alt)

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 116

Ruehrig, Volkhard (2375) - Stertenbrink, Guenter (2225)
Bundesliga 8384 Germany, 1984

1.e4 c5 2.Nf3 g6 3.d4 cxd4
4.Qxd4 Nf6 5.Bb5 a6 6.e5 axb5
7.exf6 e6 8.Nc3 Nc6 9.Qh4 b4
10.Nb5 Ra5 11.c4 bxc3 12.a4 cxb2
13.Bxb2 Bb4+ 14.Ke2 b6 15.Ne5 Ba6
16.Nxc6 Rxb5 17.axb5 Bxb5+ 18.Ke3 dxc6
19.Rhd1 Bc5+ 20.Bd4 Qb8 21.Kf3 Bxd4
22.Qxd4 O-O 23.Qe3 Kh8 24.Qh6 Rg8
25.Rd7 Qe5...

QUESTION :
White to Win

Puzzle 115 Ans. :

25. ...Qxf1+ **26.**Rxf1 Rxf1+ **27.**Kg2 Rg1#
25. ...Qxf1+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com